
# হীদাক কান্নরবা পান্বীশিং ঃ য়েলাঙ

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ





**য়েলাঙ** হায়রিবা পান্বী অসি মণিপুরগী পুৰারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা ঈশিং চোৎপা নৎত্রগা চোৎ চোৎ লাওবা মফমশিংদা হৌবা অপীকপা পান্বী অমনি। মোইরাংগী খন্বা থোইবীগী ৱারীদা খম্বগী মচেম খম্লুনা লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদগী য়েলাঙ কেঙোই থীবগী ৱারী ঐখোয়না থেংনৈ। য়েলাঙ পান্বী অসি ইংলিসতা নোট গ্রাস (Knot grass) নৎত্রগা নোট ৱীদ (Knot weed), বেঙ্গোলীদা বেখুনজুবাজ (Bekhunjugaz), বঙ্গলাদেসিদা বেখনজাবাজ (Bekhanjabaz), ইন্দোনেসিয়াদা কাকাবিন (Cacabean) নৎত্রগা কিতাঙ (Keitang), লাওসতা পাক-পো নাম (Pak-paew nam), মালেসিয়াদা তেবুক-সেলুদেঙ (Tebuk-seludang), ফিলিপিন্সতা সুবসুবন (Subsuban), ভিয়েৎনামিজদা কানত্রেঙ হে (Kantreang he), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *পোলিগোনম বার্বেতম (Polygonum barbatum Linn.)* নৎত্রগা *পোলিগোনম ওমেরোসত্রোমম (P. omerostromum Okhi)* নৎত্রগা *পোলিগোনম সেরুলেতম (P. serrulatum Lagasca)* নৎত্রগা *পোলিগোনম স্তেগনিনম (P. stagninum)* নৎত্রগা *পর্সিকেরিয়া বার্বাতা (Persicaria barbata (L.) Hara)* নৎত্রগা *পর্সিকেরিয়া ওমেরোসত্রোমা (P. omerostroma (Okhi) Sasaki)* হায়না কৌই অমসুং *পোলিগোনেসী* (Polygonaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। য়েলাঙ পান্বীগী স্পেসিসকী মমিং barbatum হায়বসি Bearded হায়বদি শমগুন্বা মতু হায়বসিদগী থোনখিবনি। তশেংনমক য়েলাঙ পান্বীগী মশা অয়াম্বদা য়াম্না কুপ্পা ঙৌরুনবা মচুগী শমমশিং য়াম্না কুংনা পানবা থেংনবীগনি।

পাউদমশিংগী মতুং ইন্না য়েলাঙ পান্বী অসি খা নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং মরু ওইনা ইন্দিয়া, জাভা, মালায়া, থাইলেন্দ, নোংচুপ অমসুং খা থংবা চাইনাগী মফমশিং অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াদা মরাং কায়না হৌই। য়েলাঙ পান্বী অসি ভুটান, কম্বোদিয়া, ইন্দোনেসিয়া, নেপাল, পাকিস্থান, ফিলিপিন্স, টাইৱান অমসুং ভিয়েটনামগী মফমশিংদসু হৌবগী পাউদমশিং লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়েলাঙ পান্বী অসি চোৎ চোৎ লাওবা মফমশিং, লৌবুক, খোঙবান-লুপান মরু ওইনা লোক্তাক পাৎকী অকোয়বদা য়াম্না মরাং কায়না হৌই।

এঙ্খ্রাং ওইনা য়েলাঙ পান্বী অসি মণিপুরদা থোইদোক হেন্দোক্লা শীংথানৈ। য়েলাঙ পান্বী অসি শীংজুগী য়াম্না পাম্নবা মচল অমা ওইনা শীজিন্নৈ। য়েলাঙ কাংশু অসি থোইদোক্লা পাম্নৈ। হীরম অসিদা য়েলাঙ পান্বীগী মতোন অদু হৱাই মঙ্গনগা ঈশিং খরা হাপ্তুনা ফজনা মুন্দ্রিফাওবা ফুৎপিগনি অদুগা মুল্লবা মতুংদা ঈশিং অদু লৌথোকখিগনি। মুল্লবা য়েলাঙগী মতোন অদু থাঙ শুরি অমনা সেন্টিমিটর ১ গী চাংদা কক্লবা মতুংদা অমুনবা হৱাই মঙ্গন অদুগা পূন্না তকখাইবিগনি। মসিগী মতুংদা মোরোক অমসুং ঙারিগী অমেৎপা অদুগা পূন্না মেৎপিগনি। অমেৎপা অদুগা তীলহৌ মনা নৎত্রগা ফদিগোম খরা কক্লগা চাইশিন্দুনা য়াম্না হাউবা মথেল অমা ওইরে। য়েলাঙগী মতোন অসি মণিপুরদদি মোরোক মেৎপগা কোত্তুনা য়াম্না পাম্না চানৈ। য়েলাঙ পান্বী অসি থোংবা মতমদা মনাঙ (জেল্লি) খরা থোরকপা মরম্না এঙ্খ্রাং ওইনা পাম্নদি থোংনদে অদুবু হৱাই মঙ্গনগা থোংবদা অদুমক মহাউ লৈবা এঙ্খ্রাং অমদি ওই।

য়েলাঙ পান্বী অসি হীদাক্কী ওইনা মগুন অদুমক লৈ। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি য়েলাঙ পান্বী অসি পুক নুংঙাইতবা অমদি অমাঙবা য়ৈখৎপগী অনা লায়েংদা শীজিন্নৈ। হায়রিবা হীরম অসিদা য়েলাঙ পান্বী অদু ফজনা শুগাইরগা শুমদুনা লৌবা মহী অদুদা ঈশিং খরগা অচা-থুম খরা তুমহল্লগা নোংমদা ২ রক গ্লাস তঙ্খাইমুক্কী চাংদা হাপ্তা অমগুন্বা পীথকপীগনি। য়েলাঙ মনা শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পাৎপা-চাথৎপা তৌবদা চামথোক্তুনা শীজিন্নবা য়াই। মৈনা পোকপদা য়েলাঙ পান্বী শুগাইরগা থোম্বদা থোইদোক্লা ইংথহনবা ঙম্মী। থাঙ-তেন্না শোক্তুনা ঈ থোকপদা য়েলাঙ পান্বী শুগাইদুনা থোম্বদা ঈ অদু য়াম্না থুনা খকহনবা ঙম্বতা নত্তনা থুনা ওইশিনহনবা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। য়েলাঙ পান্বীদা মহীক মতাঙ মখল খরা ঙাকথোকপা ঙম্বগী মগুনশিং য়াওবগী পাউদম লৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা খোঙ হাম্বা য়াদ্রবদি য়েলাঙ পান্বীগী মরু অদু তকখাইরগা পুং ২ গুম্বদং ঈশিংদা তীংদুনা লৌবা মহী অদু গ্লাস ২ গুম্বদং পীথকপদা খোঙ অদু হামদোকহনবা ঙমগনি। হায়রিবা মহী অসি ঈশিং য়াফম তৌদুনা চীকপা-নাবা তৌবদা য়াম্না কান্নৈ হায়বসি সাইন্সনা চুমলে হায়না পাউদমখ্রে। সাইন্সকী পাউদম অমগী মতুং ইন্না য়েলাঙগী মরু অসি Analgesic হায়বদি অশোক অপন তৌদুনা থোরকপা চৈনাখোল অসি য়াম্না হন্থহনবা ঙম্মী হায়বসিনি। য়েলাঙ পান্বীদা য়াওবা মরু ওইবা মচলশিংদি Kaempferol, Ellagic acid অমসুং Quercetin অসিনচিংবনি।

## এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ...

### খুদিংমক্তা অফবনি করম হায়গনি

***ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,***

***মৈরৌ*** হেল্লগা অফবা পোৎশক লৈতবগুম কুইবু কুইরবা অফবা ওইনীংঙাইগী মরম অদুমক মাঙখিবা নৎত্তনা করিগুম্বা অমতা লাক্লোইদৌরিবনি। হিংলিবনি হায়দুনা কুসি রাসিদা হিংবসিসু খুদোংথিবা অমতং লাকপদা মমৈ মক্রাংদা লোন্দৌরিবনি। মীগীদমক শম্না মফৈ অমফাওবা ফনবা খন্দবা অদুগুম্বা মহাক্তু লাই নীংদুনা ধুপ থাউমৈ থাদুনা ঈরাৎ থৌনি ফনা য়াম্না তৌদুনসু মনুং হুৎনা নীংজরিবা মহাক্তুনা পেনবা কৌবা লৈররোইদবনি। তাইবঙ মীওইবগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হিংলিবা মখৈ অৱা অনা কয়াগী মতেং পাঙগে খল্লিবা মহাক্তু মীনসু, লাইনসু অদুমক পেন্দনিঙাই লৈররোই। থবক অমা তৌবদা মুন্না খন্থরগা তুংদা করি থোক্লকপা মসিদং খল্লবা খুদোংথিবদগী নমদনা কন্দৌরিবনি।

মৈ চাকপদা মুখৎনবগীদমক অফিং অফাই পাত্র অমা পায়দুনা ঈশিং লৌবা চৎপদা থেঙ্গু লমজেলদা চৎলুবা য়াবা নত্তে। অৱা অনানা তাইবঙ মীওইববু শিংহন্দুনসু পেঞ্জদবা অমদি অদুমক য়াওদবা নত্তে। শেল লৈনা লৈনা লৈনীংদবা, মীঙোন্দা হংলগা লোইরে মখঞ্জবা অহানবগী ওইনা খুদোংচাবা ফংলম্লবসু অনীরক শুবদদি হায়রুবদা ৱা মাঙদুনা তোক্লগদবনি। ঈরাংদা লমজেল তান্নবদা লমজেল্লোই অমা ওইনা য়াওরুগদবগী শরুক নাকন্দা ফমদুনা লৈরগা খুবাক খুবনা হেন্না ফবগী তাঞ্জা অদুমক য়ক লাউনা ওইরবনি।

মতমসিগী চৎনবীসিদা পুবা থাংবা ঙমদনা য়াওগনি হায়না য়াওরুরবা মমৈথংদা করিনুংগীনো খন্দৌরিবনি। অহিংবা মীনা শিরবা মতুংদা করি তৌগদৌরিবনো খঙনদে, কনা কনাগুম্বনা শিরবা মতুংদা যমগী লৈবাক্তা শোয়দনা চৎকদবনি। তাইবঙদা ঐনা ঐনা তৌজরুবা অদুগী মহয় যমগী লৈবাক্তা ফংগদৌরিবনি। মসি থাজবা য়াবা ৱাফম অমা ওইনা অহিংবা মীওই ঙম্নমক লৌনরিবনি।

মসিগী ৱাফমসিদা মুন্না খল্লুরবদি ৱারী হায়বদুনি। অশি লৈবাক্তগী হল্লক্তুনা ঙসি ফাওবসিগী মনুংদা করম্বা মীওই লৈরিবগে? অমত্তা লৈতে, য়াওদে। শিখ্রবা মীওইদুগী থৱায় কদায়দা চৎলি কনা অমতা খঙনবা নত্তে। ৱারীগী ৱারী হায়বদুনি। হিংনা হিংনা অশিবগা পাংখক ওইরবা মীওইবা কৌবা ঐখোয়না করিগীদমক ঐখোয় মশেল নুংশিনদনা লানগী ফুরিৎ লিশিন্দুনা হাৎনরিবা, তুপ্লরিবা পূম্নমক্কী তোংজবা ফংগদৌরিব্রা? লৈবু লৈত্রবা চৎনবীদা মায়পুনরুবনা মতেং পীবিরক্কদবা নত্তে। ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা নুমিদাং অচেংবা তাঞ্জা য়েংলগা হুরান লাল্লুম্বগী থবক তৌবা খঙদ্রিবমখৈদি হুরানবা নৎতবনি। হেক খঙবা নুমিত্তা করম্বা চৈরাক ফংদৌরিবা খঙলোইদৌরিবনি। করিগুম্বা থৌদোক অমদা শঙ্গ লৈরে, মরুপ মপাং ফন্না নিংথিজৈদা হায়নবা পূম্নমক খুলং-লমন তৌগদৌবরনি। থবক্লা নঙগী নথৌনি। থবক্তু লৈরিবা মখৈ মীৱা ঙাঙনবগী মতম কৈদৌনুংদা ফংলরোইদবনি। পোত্থাবা য়াম্না পাল্লবা শুনিংদবগী মচি লেংনিংদবগী হৈনবী অমা লাক্কদৌরিবনি। ধুম-ধামগী হৈনবী, থবক শুনীংদবগী হৈনবী অনীসিবু কদায়দনো অমা লৈহনখ্রগা অমুক্তংদি খা-রাই খঙদবমখৈ পংচত্তা চৎপদু চত্তনবা হোৎনবদা খম থেংনা চাওখৎপা ওইররোই হায়বা ঙমগদবা কনা ওইদৌরি? চেঙ কেজিদা লুপা কয়া পীরিবা? আতা, মোইদানা কয়া পীরিবা? তাংলিবা পোৎশিংগী মমলসিগা শেঙ্খোক লম্বীদা মরাং কায়দবা মীওইশিংদি য়ারিবমখৈ মীঙোন্দসু চেবাউ তৌরোই, চৎতবা য়াদবা খরা চৎলগা অরৈবা ঐনা ঙমগদবা পোৎয়েং শেল পীরগা লোইরে খন্দুনা ইকায়-ইকি ৱাংমা লান্না থম্মোয় শেংনা পীবা মশীং কয়ানি।

থবক খুদিংমক্তা খাঙেনফম য়ৌগদৌরবা ঙাক্তা ওইরকপনা চেকশিন্না লৈবা মতমদু লাক্লবনি। হিংনবা পোৎশক ৱাৎত্রবা, মীওৎ মীনৈ লৈত্রবা মতমদুদা কনানা কনাবু ৱারৌদনা শান্তিগী লমদম ওইদৌরিবনি। চাকচা হৈজানবদা অরেম্বদা লেমহনবা, পাম্মুবগী ৱাখল ইয়াও য়াওদবা, ইশানা চাগদৌবা চাক্লুক্তু লেমহল্লগা লেমজবী ওইনা খন্নরকপা মতমসিগী য়ক লাওনা চৎনখৎলক্লিবা অমগী মনুংদা লেমজবা ওইরবনি। অউনপোৎতা কা হেন্না চাদিং তৌবা মসিগা লোয়ননা পীকশিনবা য়াবা থৌদোকসু খূৎচাউ থাদুনা পোৎয়েংশেল তানবগী লম্বী অমা চৎনখৎলকপা, নাকল অমদনা কৈদৌঙৈ লেপকদবনো খঙদবা ব্লোকেদ, ৱাবা কৌবা লৈত্রবা অদুমক হৈনদুনা শিবা ঙাইনা লৈরগদবা লমদমসিগী মীওই লাক্ষ লাক্ষ কয়াম কুইনা খাঙখিদৌরি? মমৈথংদা চাবা ফংদবগী অৱা মৈশা নংদনিঙাই লৈরোইদৌরি? ৱাই কৌই হায়হৈদে? ৱাদি ফন্না নিংথিজনা ৱানরবনি। লমদমসিগী মীওই খুদিংমক অৱাবনা শরুক য়াল্লবনিনা হুরান চিন্থি মশীং হেনগৎলক্কদৌরি? চেকশিন্দবা য়াদে ঐখোয়! ঐখোয়দগী হেনবা কনাসু লৈরোইদৌরি।

***অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা, খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল***


### মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### হুরানখ্রবা লীক্লাং

মপোক অমা বোধিসত্ব অশিংবা ওইনা পোক্তুনা,
বরানসী কোনুংদা লৈখি মন্ত্রি ওইদুনা।
নোংমা কোনুং পুখ্রীদা লৈমনুবীশিং ঈরুজৈ;
মরীক মকোল ফিরোলসু মপান্দবু মথমজৈ;
মীনাইশিংদা শিন্নরম’ ঈরোইদুনা শান্নখি।
ময়াম মতৌ য়েংবদা মীনাই ঙাইহাক কাউথোকখি।
তাঞ্জাদুদা য়োংনুবী মহারানী’ লীক্লাংবু,
সৎ-তা লৌর উথক্তা লোৎখ্রে উক্রোঙ ’নুংদবু।
ঙাইহাক লৈরা লাঙনরক’ লীক্লাং হুখ্রে হায়দুনা,
খোইরেন মশা পাইখরে লৈরক খুল্লক খোঙলোয়না।
নুপা অমা খঙজদ’ কিদুনবু চেনখিদো;
ফারে, মাবু পাউহংই “নঙ লৌব্রা লীক্লাংদো?”
খরা ফ’দ্রা খুমজখি, “হোয়, লৌই ঐহাক্লা;
সুসনারীদা শিন্নখ্রে ঈনশিনবনি মহাক্লা।”
সুনারীবু ফাগৎলে মাসু ‘লৌই’ খুমখরে
‘নিংথৌ-কোনগী পুরীত্তা শিন্নখরে’ হায়খরে।
নিংথৌ পুরীৎ ফাগৎলে, ’নঙ লৌব্রা’ হংবদা,
খুমখি, ‘লৌই শিন্নখ্রে কোনুং-ইশৈ-হনবদা।’
ইশৈ-হনবা ফাগৎলে মাসু অদুম খুমখরে;
‘কোনুং জগোয় শাবীদা পীথোকখ্রে’বু হায়খরে।
জগোয় শাবী ফাগৎলে মাদি শুকয়া য়াজদে;
তশেং তশেং খুমজখি, “খঙদে, উদে, লৌজদে”।
মখোয় মঙা ফাদুনা থমখি কৈশুম শঙলেন্দা।
বোধিসত্ব লৌশিংবা থাজখিদে মবুক্তা;
লৌরমগনি হায়বসে মখোয়নবু লীক্লাংদো।
মী থম্ন’ তাহনখি মখোয়’ শান্ন’ ৱারীদো;
মখোয়’ ৱারী তারগা মরাল লৈতে খঙখরে;
মতৌ করম তৌরগা লীক্লাং ফংগনি খনখরে।
বোধিসত্ব মন্ত্রিনা তুমিন বুদ্ধি তৌরকই;
কনা লাক্ল’ মপান্দ’ই হুবা ঙম্লোই খল্লকই;
য়োং ময়াম লৈরিবা শোইরোই ’মনা লৌরম্বা।
মসি খন্ন থৌরাংলে লীক্লাং ময়াম অশেম্বা;
য়োংয়ামদবু শিবিরে অমমমদি ওইনবু।
মখোয় মশেল উৎনরে ‘ঐদি সী’ হায়নবু;
লীক্লাং লৌবী য়োংনুবী পুথোরক্লে লীক্লাংদো;
“ঐসু য়েংউ হায়দুনা উৎথোরক্লে পরেংদো।
মতৌ অসি উবদা লাউ খোংখি ময়াম্না;
লীক্লাং লৌবী য়োংনুবী মীনিল মীখোল কিদুনা,
থাদরকখি লীক্লাংদো তোপ লাউনা লৈমায়দা।
বোধিসত্বা লৌশিংবা কৎখি লীক্লাং নিংথৌদা;
লীখি ৱারী অচুম্বা অদু করম ফংলকপা।
পেনখ্রমাল্লে নিংথৌদো পীখি মনা য়াম্লবা।
মরাল লৈত’ ফারুবা মখোয় মঙা অদুবু,
থাদোকপীখি খূদক্তা কৈশুম শঙলেন্দগীবু।
থাগৎপীখি অসুম্না বোধিসত্বা’ই মরৌশিং;
“লানফমদনা অথৌবা পাউতাক্তনা মুণিশিং
লোয়নবদা ফাগী-’ মী ৱায়েলদনা লৌশিংবা’
বোধিসত্ব’ই পাউতাক্তি অশোয়ববু লৈত্রবা,
শীজিন্নখি নিংথৌনা লৈবাক ৱায়েল থৌরমদা
দান ধর্ম্ম তৌদুনা কাফি স্বর্গ শিবদা।”